# ঐখোয়না ঐখোয়গী লুচিংবা খল্লমদাইসিদা...

পোলিটিক্স, রাজনিতি নৎত্রগা লৈঙাক্লোন! করিনো? করম্বা মখলগী থবকনো? কনানা তৌগদবনো? ৱাহন্থোক করিনো? ৱারেংসিদা ইজররোই। লাইরিক হৈবা/হৈতবা, নহা-অহল পূন্নমক্না খঙনরবনি, অমুক নৌনা ইথোকচররোই। হায়রক্কনি - খঙদুনা লৈরবা ৱাসিবু ... অরেম্বদা মতম মাঙনবা! লাইরিক্তা ইরম্বা পোলিটিক্সকী দিফিনিসন'গা, ঐখোয়গী পোলিটিসিয়নশিংনা তৌরিবা পোলিটিক্স'সিগা তায়ওন্নবা উরকপদগী - পোলিটিকল সাইন্সকী লাইরিকশিংদা ইরল্লিবা ৱারোলশিং পানীংলক্তবা, তানীংলক্তবা, মৱা লৌরক্তবা শোয়দনমক্কী ওইগনি। পোলিটিকল ফিলোজোফর অমদি পোলিটিকল থিঙ্করশিংনা হায়রম্বা ৱারোলশিং, পোলিটিসিয়ন ওইগে চোঙথোরকপা মীওই অমত্তনা নোংমতসু পারল্লোই, খঙনবসু হোৎনরল্লোই, কান্নদবা ৱাথীনি খল্লমগনি। পোলিটিক্স হায়বসি 'মীয়ামগী সেবা' (সর্ভিস ওফ মেনকাইন্দ) নি - হায়নরকপদু, ঙসিগী পোলিটিসিয়নশিংগী মমাঙগী লোন অদুদি খঙবজাৎনি, মীখলদা মীরেপ ওইরিবা কেন্দিদেটশিংগী পব্লিসিটি চৎপদা লাউনরম্মী ... 'মায়কৈ অসোমদা লৈবীরিবা প্রজা ইপা-ইপল, ইমা ইন্দোল পূন্নমক্কী মফমদা ... ষণবী-ষণনাও/উনা/তরেঙ য়েকপা মার্কাদা প্রজা মীয়ামগী মমল য়াল্লবা ভোটকী সিল অমমম নন্বীদুনা মীয়ামগী সেবা ফংহনবীয়ু'...।

হৌজিক্তি, প্রজা সেবাগী ৱাখল তুংওইনখরে। মীয়ামগী মীহুৎ ওইরগা, মীয়ামগী য়াইফ-থৌরাং য়াৎলগা, চাওখৎ-থৌরাং পায়খৎনবা কাইথোরকপা শেনফমদু করম' মৎসিগে, পব্লিক-মনিদু প্রাইভেট পোকেৎ'তা করম' হাপসিগে, করম্না থাজহল্লগা থবক হাপ্পা/থিকা পীবই নমা'দা মীয়ামদই পৈশা খোমগৎসিগে ... হায়বনচিংবা ৱাফমশিং'সিনা ঙসি ভোট লেপকে চোঙথোরক্লিবা সুদো-পোলিটিসিয়নশিংসিগী মচৎ (ক্যারেক্টর) নি। ফিলোজোফরশিংনা হায়রম্বা/ইরম্বা ৱাফমশিংদা য়ূম্ফম ওইদুনা পীনরম্বা, পোজিটিভ ওইবা ষ্টেটমেন্টশিং, চন্নফম লৈত্রবা/লৌবা য়াদ্রবা ৱারোল ওইরক্লে খঙলকপদগী পোলিটিক্সকী শক্তাক-ৱাহৈ হোংলক্লে... পোলিটিক্স হায়বসি-করিসু লৈতবা থবক অমবুসু অরুবা অমা ওইহনবগী হৈশিংবা (কলা) অদুবুনি অচুম্বদু অরানবা ওইহন্দুনা, করিসু লৈতবা প্রোব্লেমদু সোল্ভ তৌনবগী, অরানবা পান্থে তাকপদুবু কৌই পোলিটিক্স'...। অদুগা অসুম্নসু হায়নরকই, চাওখৎলবা লৈবাক কয়াদা ... 'মালেমগী খ্বাইদগী পাক-চাউরবা সহারা মরুভূমি অসি মালেমগী মমিং লৈরবা পোলিটিসিয়নশিংদা শিন্নরবদি, চহী মঙাগী মতুংদা, দেজর্ট অসিদা লৈঙোই মরীক অমা ফাওবা থিবা ফংলোই'...। নিংথৌনা লৈবাক ঙাক্লমবই মতম লোইখিদুনা মীয়াম-লৈঙাক (গভর্ণমেন্ট/দেমোক্রেসি) লাক্ল'তুং, অশেংবা/অফবা লৈঙাকপা থোক্লক্কদ্রা ঙাইনরকপা, থোক্লকমন্দ্রবদুদা হায়রকই... 'ঐখোয়না পামখিবদি অফবা মীদা ভোট পীদুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইহন্দুনা অফবা লৈঙাকপা শেমগৎপনি... অদুবু লাইবক থীবদি অফবা মী অমত্তনা মীরেপ ওইনা থোক্লক্তব'সিনি'...।

থা মরিগী মতুংদা শোয়দনা পাঙথোক্লগদবা ১২শুবা মণিপুর বিধান সভাগী মীরেপ-মীখলসিগা মরী লৈননা মণিপুরদা ওইরক্লিবা অমদি ওইরক্কদবা ফীভম অদু ৱাখলসিনা হাইফেৎ লামশিন্দুনা য়েংবদা, পোক্লকপা ৱাখল পরিংদুনি ৱারেংসিগী ৱাহৌ ওইনা ইথোকচখ্রিবা ৱাহৌ ওইনা। এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি খরদদি (মমিংদু খঙলবসু পন্নীংদ্রে) অকনবা লম্বা ওইরক্কনি খঙনরবা কোংগ্রেস পার্টি অমদি ভারতিয়া জনতা পার্টি অনীগী মীরেপ শোয়দনা ওইনি খন্নরবা অনীগী ৱার্করশিংগী মরক্তা ভোট খোম্বগী ৱাহৌদা খৎন-চৈনা থোক্তুনা ঈ-নাই তানবা ফাওবা য়াওখিবগী পাউ তাখ্রে। পুলিসকী মতেংনা ঈরাংদু নেমথহনখ্রবসু, উংখৎনবদুদি লৈরমখিনি। হৌজিকসুনি মীখল নুমিৎ হয়েংতা ঙাইরক্লবগুম-মীটিং অমা য়াওবগী চামঙা/লিশীং পীদুনা মাগী মাগী ভোটরশিং তাশিন-খোমজিনবগী থবক চখনরক্লিবা ফনা কুইরক্লে। মরুপ অমনা হায়, নোংমদা লুপা লাখ'না খুজিং ওইরগনি, হৌজিক মখোয়না ভোট খোম্নরিবা। য়ু-শা-ঙা পীজ পীথক তৌদুনা চাক খাঙবগী থবক্তুসু হৌনরে হায়। হান্না মিনিষ্টর ওইরল্লবা, মমাঙগী ইলেক্সন'দা মায়থীহৌরবা, হন্দক্তি মায় পাক্তবা য়াদে খন্না রুল্লিং পার্টিগী মীরেপ্পুগা লম্বা পাগদৌরিবা মরুপ অমা লৈ। ফনা কুইরে তঙাইফদবা থবক অমগী ফোন'দা পাউফাওনব'না য়াদবা ৱারী অমগীদমক হকথেংননা থেংনগে হোৎনরকপা, থা অমা হেল্লক্লে। ঙসি ফাওবা মায় পাক্ত্রি।

কোভিদ-১৯গী চৈনা ফংলবা, পোলিটিকল ক্লাসকী মীওইশিংনা কম্মন মাস (লায়রবা মীচম মীয়াম) অসিবু করম্না লোয়নবগে খঙলবা, মথংগী মীখল লাকপদা মখোয়বু পারা তম্বীগে খনখিবা, নমথবীরবা মীয়ামদু, মীখল ময়া নকশিল্লকপগা মীকপ থোক্লক্কদ্রা খল্লম্বা অমুক হেন্না মম্লবা ঈরোলনুংদা লূপ্লল্লে। হৌজিক্তি ময়েক শেংলক্লে - মখোয় মশানা মশাগী মমল নোংমগী ওইনা লুপা অমগা পৈশা মাপনদা য়োন্থোক্লবা শেম শারি।

২০২২, ফেব্রুৱারী থাগী অরোইবা নৎত্রগা মার্চ থাগী অহানবা চয়োলদা পাঙথোক্লবা য়াই পানরিবা ইলেক্সন'সিদা মীয়াম্না করম্বা মীৎয়েং থল্লিবগে? ঙাইহাক ৱাখল মোন্দ্রং শান্নরুসি। নুংঙাইনি।

মমাঙদগী হায়নরকপনি - মণিপুরদা পান্নীংবা পার্টিনা পানসনু, দেল্লীদা লৈঙাক পায়রকপা পার্টিদুদা শোয়দনা ওল্লক্কনি। অদুগা, 'সিমসু হায়নরকখি - লৈবাকসিবু হিন্দু-নেসন অমা ওন্থোক্লবা হোৎনরক্লিবা, সেফ্রোন-পার্টি হায়রগসু খঙনবা, বি জে পি অসিদি মণিপুরগী লৈহাওদা থাবদা হৌরোইদবা পাম্বী অমগুম্বনি। অদুবু, ৱাহায় অদু লাল্লকখি। পার্ট টাইম পোলিটিক্স তৌবা রাহুল গান্ধী'দা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস শিন্ননবা হোৎনরুবা, নেহরু-গান্ধী ফেমিলিগী ৱাংমদা লৈবা কোংগ্রেস লুচিংবা অমত্তদা পার্টি অসিগী লুচিংপুরেন ওইহনবগী ৱাখল চেন্দবা কোংগ্রেস লুচিংবশিংনা মশাবু লৈখাদা চিংথজখিবদগী অমুক কাখৎলকপা ঙমদ্রবা কোংগ্রেস পার্টিগী মখূত্তা লৈবাকসি শিন্নবা চুল্লরোই খল্লক্তুনা ভারত মীয়ামগী পার্টি (ভারতিয়া জনতা পার্টি) দা ভারতকী মীয়াম্না লৈঙাক শক্তি শিন্নখিবদগী মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিসু মীয়ামগী থাজবা মাঙলবা পার্টি অমা ওইরকখি। ২০১৭কী ইলেক্সন'দা সিট ৬০গী মনুংদা ২৮ ফংবা কোংগ্রেস'না লৈঙাক শেম্বা ঙমদ্রগা ২১ খক ফংবা বি জে পি'না অতৈ পার্টিশিং চোইখোম খোমজিল্লগা লৈঙাক শেমখিবদগী মণিপুর কোংগ্রেস, লৈথক্তগী লৈখাদা কুমথবগী খোঙচৎ হৌখিবনি। হৌজিকসু মশাগী ময়ূম ঙাক শেঞ্জবা ঙমদ্রবা, ইমুংগী মীকোক খুদিংমক ময়ূম থাদোক্কদবগী মখোঙ নাম্মা থাংদোক্তুনা লৈনরবা, শেন্নবীনবা লৈত্রবা য়ূম অমগুম উরক্লে। মমাঙ চহীদগী লিংজেল মান্নদ্রবা মচিন-মনাও ময়াম, থাজনদনা লৈরকপা মতমদুদগী মীমাঙ থোকপা হৌখ্রবদু হন্দক ইমুংদুগী য়ূম্বুরেন মশামক্না অতোপ্পা ইমুং অমদা চঙজফম লৌখিবদুদগী অমুক্কা হেন্না ময়েক শেংলকখি - মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী শঙলেন-হীয়াঙ অথৌবী (তম্নলাই) অমনা তম্নফম ওইরবা শঙ অমগা পাংখক ওইরক্লবরা?

অদুগা, অমরোমদা বি জে পি! কোংগ্রেস-মুক্ত'-ভারত (কোংগ্রেস ফ্রী ইন্দিয়া) অমা ওইহনগনি ৱাশকখিবদু থুংগদৌরে - লুচিংবা খরনা মখৌ পোঙনা লাউই। অতোপ্পনা থুগায়বা নত্তবা, মখোয় মশেন মত মান্নদবা, লিংজেল মান্নদবদগী কিন্থরকপা য়ূমনি - বি জে পিগী খূৎ য়াওদে ... হায়জরগসু, মণিপুরগী কোংগ্রেস মচেৎ মচেৎ তারকপসিদি বি জে পি'না থুগায়বনি। চেনবা য়াদ্রবা প্রমান লৈ। পূন্নমক্না খঙই। ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা হায়রম্বা চেকশিন ৱা অমদি লৈবনিকো - চেকশিনবীয়ু ... 'মীচা শিসনু নীংলগা ইচা শিবনি'! বি জে পি'না হায় - মখোয়না সিট ৩৫দগী ৪০ ফাওবা লৌগনি। এন পি পি'নসু হায় - য়ামদ্রবদা মখোয়গী কেন্দিদেট তরামঙা কাগনি, এন পি এফ'না নিপান...! কোংগ্রেসকী সিট অমা ফাওবা লেমহৌদ্রে। অদুবু, কোংগ্রেস লুচিংবশিংগী থাজবদি মাঙদরি - অতৈ পার্টিশিংনা শক্তি মুন্নবগী, অমনা অমবু হাৎতোক্লবগী লান শোক্লরিঙৈ, মখোঙদা থাঙজৌ য়ানশিনজদুনা ইন্দিয়ন নেসনল কেংগ্রেস'না এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংদুনা লৈঙাক পায়গনি।

পোলিটিকল পার্টিগী লীদরশিংনা ঙাঙবা ৱাদবু ঐখোয়না কয়াম থাজরুনি। তাবতমক তাশিনসি। অদুগা, বি জে পি'না থাংলক্লিবা খোঙথাংসিগী অচুম চুমদসু তন্ন'মুক্তা খন্থসি। এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি খরদা য়েংবীয়ু - বি জে পিগী ফিরাল পায়দুনা ইলেক্সন থেংননীংবা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট অহুম/মরি/মঙাদগী তাদনা ভোট লেপকনি হায়দুনা চেল্লিবা, চোঙলিবা, লাঙলিবা! খঙনবা, চান্নবা, নক্লবশিংদগী লৌবা রিপোর্টতগী খঙই - মখোয়গী মরক্তগী অমনা বি জে পি টিকেট ফংদুনা ভোট লেপখিবদা লেমহৌরিবা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ময়ামদুনা বি জে পিগী মীরেপ্পুবু কাদনবা হোৎনগনি। ৱাফম অসি ঐখোয়না লায়না হেক্তা নেগ্লেক্ট তৌবা য়াদবা ৱাফমনি। মরমদি, মখোয় পূন্নমক পোলিটিকল প্রিন্সিপল অমগী মখাদা পার্টিদুগী প্রিন্সিপলশিংদুদা থাজদুনা য়াওরকখিবা অমত্তা নত্তে। মশাগী কান্নবা, খুদোংচাবা খরখক্কীদমক য়াওরকখিবনি। টিকেট পীদবদগী মহাক্না পার্টি থাদোকখিবা কনানা করি তৌরুবা ঙমগনি? সিট ৪০ ফংগনি খঙলুবা ২০ য়ৌদনা ফংলগা তোকপসু য়ারিবনি। কনানসু গরেন্টি তৌবা ঙল্লোই।

ফিদম্লিংঙাই ওইবা দেমোক্রেসি (মীয়ামগী লৈঙাক) অমগীদমক খ্বাইদগী তঙাইফদবা অমদি লৈবাকমচা তাবা খুন্নাই অমনি - অমনা অমবু ইকায়খুম্নবা, পুকচেল চাউবা, খাঙবা কনবা, অতোপ্পগী খনবা সিটিজেন অমা! মদু ঐখোয় ওইরবরা?

*–ইন্দ্রকুমার*

# নুংশিবগী ঈচেল অমা থিরিবা, শান্তিগী লম্বেল অমদা চঙশিল্লিবা কবি মাইস্নাম রাজেশকী শৈরেং লাইরিক 'মোংফম থম্মোয়গী নুংশিবা' - মিৎয়েং অমা



মাইস্নাম রাজেশ

লাইরিক্কী মমিং :-
**মোংফম থম্মোয়গী নুংশিবা**
**(২০০৫)**
অইবা :- **মাইস্নাম রাজেশ**
অফাওবা :-
**ঈনাৎ পব্লিকেসন্স, ছায়াতরু-৪, লমাবজার, সিলেট বাংলাদেশ**
লাইরিক্কী মমল :-
**লুপা ৭০ টাকা (বাংলাদেশ)**
**লুপা ৫০ (ইন্দিয়া)**
লাইরিক্কী মখুম :-
**এন যোগেশ্বর অপু**
লমায় মখল :- **শৈরেং**




মাইস্নাম রাজেশ হায়রগসু হেন্না শকখঙনবা রবি কিরন সিংহ বাংলাদেশকী সিলেটতা ১৯৭৭তা তাইবঙ খোঙদারকখি। মচিন মনাও মরিগী মনুংদা মহাক্না ইতোন তোনবনি। বাংলাদেশতা লৈবা মণিপুরী কবি অমা ওইনসু থোইদোক্না মীয়াম্না খঙনরবা অইবা অমসুং কলচরেল এক্টিভিষ্ট অমসুনি। মশাগী লাইরিক মোংফম থম্মোয়গী নুংশিবা (শৈরেংগী খোমজিনবা লাইরিক ২০০৫) স্বার্নাকমল (রতন থিয়ামগী সনাগী থম্বাল হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অসি বাংলা লোন্দা ট্রান্সলেসন তৌদুনা ২০১৭তা ফোঙখ্রে।

বাংলাদেশ অমসুং মপান লমদা পাঙথোকপা কবি সমেলনশিংদা অমদি রাইটর্স মীটশিং মরু ওইনা নোর্থ ইষ্ট রাইটর্স ফোরম্না ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা রাইটর্স মীট ২০০৫দা শরুক য়াখ্রে। সাহিত্য থৌপাং লূপ ইম্ফালনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ইন্দো বাংলা ইন্টরনেসনল পোইটস মীট, ২০১৩দা শরুক য়াখি অমদি সাথৌলূপনা পাঙথোকপা ইম্ফাল লিটরেচর, ২০১৬তসু শরুক য়াখি। মসিতসু নত্তনা SAARC রাইটর্স অমসুং লিটরেচর (FOSWAL) না শীন্দুনা দেল্লীদা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা লিটরেচর ফেষ্টিবেলদসু শরুক য়াখি।

বাংলাদেশতা মণিপুরী লোল অমসুং খোরিরোল হেন্না চাওখৎনবা থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনরিবা নহারোলশিংগী মরক্তা মহাকসু শিংথানিংঙাই ওইবা খুদোল কয়া তল্লিবা অইবা অমনি। মহাক্না বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী জেনরেল সেক্রেটরিগী থৌসু পুরমখি। মহাক মণিপুর কলচরেল কমপ্লেক্সকী মেম্বর সেক্রেটরি ওইনসু থৌ পুরি। হৌজিক হৌজিক নুংতিগী ফোঙবা পাউচে স্যিলেত্তর দিনকালগী চীফ ন্যুজ এদিটর ওইনা থবক তৌরি।

নুংশিবগী ৱারী, শান্তিগী পান্থে লাংতক্লনা য়েংনরি অমদি থিনরি। খূৎনা পায়বসু য়াদে অমদি নকশিল্লুরবসু হেক্তা মাঙখি। অদুবু থম্মোয়গী থম্মোয়দদি লেংদনা লৈরমগনি। পেন্দবা, নুংঙাইতবা, শাউনীংবা, লৌনম নমথাক, নীংবা কায়বা, অৱাবা-খায়না মৈচাক; পুবা থাংবা ঙমদবা পুন্সিগী পোৎলূম, লৈবাক খুন্নাই অমদি পুন্সি মহিং পূন্নমক অসিদা করিগুম্বা অমদি য়াওরি, হায়নীংবা ৱাফম অমদি লোয়নরি মীওইবনা হিংলিবসিদা করি পাউখোংনো চল্লিবসি হায়না। ৱাহং ময়াম অসিগী পাউখুম পীনবা হোৎনবদা কবিশিংনা শৈরেংগী ঈচেলদা হেক হেক লুপ্তুনা য়েংলক্লি ঈখৌলাংবা পূক্নিংবু শান্তি পীনবা। কবি মাইস্নাম রাজেশসু মহাক্কী পূক্নিংনা করি পাল্লিবা হায়বদু খোরিরোলগী ইরেনবুংদা ঈরুপ্তুনা থিরক্লি। মহাক্কী অহানবা ফোঙবা শৈরেং লাইরিক অসিদা পূন্না শৈরেং ২৮ য়াওরি। ফজরবা সিম্বল অমদি ইমেজরি মতাং চানা শীজিন্নবা থেংনৈ। বাংলাদেশকী লৈমায়দা চাওরকপা ওইবনা মণিপুরী লোল শীজিন্নবদা মণিপুরদা ঙাঙনরিবা অমদি ইনরিবা মওং অসিগা খরদংদি খেন্নবসু মরক্তা য়াওদবা নত্তে। মসি মপান লমদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা মণিপুরী অইবশিং শন্না দাইস্পোরা অইবশিংদা থেংনবা খূৎই মখল অদুনি। মসিমক্না মণিপুরী লোল অসি হেন্না ইনাকখুলহনবদা য়াম্না মতেং ওই হায়না লৌই। মরমদি ইমালোল অসি মণিপুরদা শীজিন্নরিবা অসিদগী হেন্দোক্তুনা মীরমদসু মণিপুরীশিংনা পাক শন্না শীজিন্নরকপা হায়বসি লোলগী পুক্কে অসি চাওথোরক্লিবনি হায়না লৌবদা থোইনা লাল্লোই হায়না খল্লি। মাইস্নাম রাজেশকী শৈরেং অয়াম্বা য়াম্না তেন্না ৱাহৈ খরনা মতিং লৈনা হায়নীংলিবা অমদি পাউদমনীংবা অদু ময়েক লানা শৈথানবা হোৎনবা থেংনৈ। বাংলাদেশকী লৈবাক লৈহাওদা চাওরক্লবসু অইবগী থৱায় মিরেলদি ঈগী হৌরকফম ওইরিবা পারি পুরিগী খোইরি নাওফম তাফম মণিপুর সনা লৈবাক অসিদা লেঙদনা লৈরি। মসিগী ময়েক লারবা খুদম ওইবা শৈরেং কয়া য়াওরি। ইমা লৈবাক মণিপুরনা তংদু লৈতাদনা লৈখিবা মীকুপশিংদা দাইস্পোরা অইবশিং অমদি কবিশিংনা কয়াম থৱায় ৱাজবা; মণিপুরগীদমক করিগুম্বা খরদি পাঙথোকচনীংবা অদুগুম্বা পুকচেল অদুগী মমিদি মখোয়গী খূৎইদা ময়েক শেংনা হেক হেক থোক্লকই।

লোইবা নাইদ্রবা পোলিটিকেল কনফ্লিক্ট কয়াগী ৱাখৈদি করম্বা মতমদা কনা লাক্লগা পুরক্কনি কনানসু হায়বা ঙমদে। লীলা অমগী মনুংদা শান্নরিবা লোইবা নাইদ্রবা লীলা কয়াগী ভাবক ওইরিবা মীচম মীয়ামদি ঙসিসু কম্বী থক্তা থাংগৎলবা লেল্লৈগুম লৈরি। অসিগুম্বা পাউখুম ফংদ্রিবা ফীভম অমবু কবিনা কূপ্না নৈনদুনা ফোঙদোক্লক্লি মহাক্কী শৈরেং 'পাউখুম' হায়না মিংথোনবা অসিদা 'ঈ কয়া য়াম্না পীরগা নীংতম্বা ফংঙি/বাংলাদেশনা হায় - 'ঐহাক খঙঙি'।/ঈ কয়া য়াম্না হৈরগা সমুদ্র ঙাংঙি/পেলেষ্টাইননা হায় 'ঐহাক খঙঙি'/অঙৌবা খুনুগী ঈ ঙৌবরা নৎত্রগা ঙাংবরা/ক্যুবানা হায় 'ঐহাক খঙঙি'।/মণিপুর নঙ হায়য়ু - ঈ খুজোক কয়া পীরগা মীৎকুপ অমা শান্তি ফংগনি?/মণিপুরনা হায় -'ঐহাক হায়রোই'।"/লা: ৩০। নীংতম্বা অমসুং শান্তিবু খূৎতা পায়দুনা শান্নরিবা অঙম্বা মখোয়দা ইতৎ তত্তনা হংলিবা ৱাহংনি। মীচম মীয়াম্না ইন্টরোগেসন তৌবা মতম অমসু লাকপা য়ারি। মরমদি পাউখুম অমা পাল্লি মীয়াম্না শান্তি হায়বদুগী। শৈরেং অসিদা কবিনা শীজিন্নরিবা তেনখ্রবা ৱাহৈশিং অমদি ফোঙদোক্লিবা ৱাখল্লোন অসি অৱাংবা থাক অমদা নৈনবা য়ারি 'ঐ হায়রোই' হায়বা পাউখুম অসিনা লোইশিল্লিবসু য়াম্না ৱাহন্থোক লৈরি। য়াম্না ইচং থৌনা ইবা শৈরেং অমনি হায়না লৌদবা ঙমদে।

মতাং মতম চানা পুন্সিদা লৌখিদবা ৱারেপ্পা করিগুম্বদা হঞ্জিন হঞ্জিন্না মৈশা লাংহন্দুনা থম্মোয় লায়মন কাংদুনা লায়না ওইবসু য়াওদবা নত্তে। নুংশিবা কায়নবা, অপাম্বা থুংদবা হায়বসিসু পুন্সিগী হৌনশা ওইরি। নীংবা খুদিং লোইনা থুংলদি পুন্সিগী ফজবা মশক অদু মহাও লৈরমদবা য়াই। অশোয়বা থবক্না পুন্সিদা পারা অমদি হেক হেক তম্বী। অদুনা অশোয়বা থবক অসিসু খঙদববু তাক্লিবা ওজা অমনি হায়দবা য়ারোই। অদুনা কবি রাজেশসু মহাক্কী শৈরেং অমদা ইরক্লি কাউবা লৈত্রবা 'অশোয়বা থবক' অমা 'মাবু নীংজররোই হায়না/কাউজনীংনা লৈরে/কাউজনীংবসে অশোয়বা ওইরে/অশোয়বসিনা ঙহাক লৈতনা/নীংশিংনা লৈরে'। লা: ১৩। থম্মোয় লৈকোলদগী লাপ্পা লৈখ্রবী চান্নথোইরবী অমগুম্না শান্তি কৌবী লাইরেম্বী মহাকপু সিম্বোলিক ওইনা পুখৎতুনা ইবা শৈরেং অমনি 'পাউখুম ফংদ্রবা ৱাহং'। নুমিদাং ওইদ্রি/মুরবা নোংনা মল্লে সন্ধ্যা/কুপ্লে নীংবা কায়বগী মৈখুনা অতিয়াগী থৱানমিচাক/চাক্লিবা কুপীগী নিক্লবা মৈরিদা হংজে - মাবু লাকওইদরো... পাউখুম ফংদনা অদুম মাঙখ্রে/সন্ধ্যাগী অমম্বদা/শূণ্যগী মনুংদা। লা: ২২। উনীংনা ঙাইরি কবিনদি অদুবু হায়বদি ঙমদে করম্বা মতমদা থৌজাল হৈবী মহাক্না খোঙদোই হুল্লক্কনি হায়বা। পাউখুম অদুতবু ঙসিসু ঙাইরি লাংতক্লনা। শৈরেং অসি য়াম্না তেল্লি অদুবু পীরিবা পাউজেল অসিদি মপাল নাইদে।

নুংশিবা হায়বসি থম্মোয়গী ৱানি হায়বসি মতম পূন্নমক্তা চুল্লগা লৈরি। চরৈ ফিগুম্না, সনা লুপাগুম্না লৈবা য়োনবা য়াদে। ফংনীংবা মতমদা ফংদে। হায়রুদ্রবসু লাকই। তান্নরুদ্রবসু ফংই। অদুনা নোংদম্বা নোংদম্বী হায়দুনা লৈরল্লি মীওই মপোকসিদা। পুন্সি লৈপুন শেম্নখিবা শোন্নদুনা তাইবঙদা শিবা নাইদ্রবা ৱারী লীনরিবা শাবি-শানৌশিংগী ৱারী মরক্তা কবিগী থম্মোয় লৈরাং মহাক অদুনা লমদম কৈদা লৈরিগবা হায়না উনীংনা ঙাইরিবা মীকুপ অদুদা ইরকপা শৈরেংনি 'ঈখৌলাংবা' 'নুংশিবা নঙনা করম্বা লমদমদা পুরক্লিনো?/ অসিদা থৱানমিচাক ময়ামদা য়েংলগা/যুগ যুগকী প্রেমিক ময়ামগী মায়থোঙ উবা ফংঙি।/অসিদা লৈরাং ময়াম্না হায়রি - থম্মোয়দা থম্মু...' লা: ২৩। কবিগী মপাল নাইদ্রবা পূক্নিং অতিয়াদা থোক্লগদবা নুংশি থৱানমিচাক অদুদি ঙসিসু অদুম্মক থম্মোয়দা লাইনীং ওইরিবগুম্না অপাবশিংদা ফাওহল্লি। কবিগী কলপনাগী তাইবঙ অসিমক তাইবঙগুম্না হেক হেক য়েক্লবা হোৎনবদা মায় পাক্লা উরি।

করম্বা মণিপুরীনা কাউবা ঙমগনি লায়রবা লৌমী শিন্মীশিংগী, মীচম মীয়ামগীদমক পুন্সি কথোকখ্রবা লময়ানবা হিজম ইরাবত মহাকপুদি। কুমজা কুমওন খুদিং মহাক্কী তর্পন কৎলিবা মণিপুরগী মীয়াম্না লোইজি লোয়া খুদিংদা লৈবাক্কী লোইশঙ কয়াদা। অসিগুম্বা লময়ানবা মহাক্কী মপোক নুমিৎ অসিদা কবিনা উরি শান্তিগী সিম্বোল ওইরিবা অঙৌবা খুনুশিংনা শঙ্গু শঙ্গু হরাওনা শংবান্নবা অতিয়াদা মনিং তম্না পাইবদু। পিক্লিবা অঙাংশিংদগী হৌদুনা অহল, নহা খুদিং মশা খিংনা লময়ানবা মহাকপু নীংশিংনা কুমওন থৌরম পাঙথোকফম অমদা কবিসু শরুক য়ারখি লমদম তাম্না বাংলাদেশতগী লাক্লদুনা। মসিদা মহাক্না ফ্রী ভর্স্তা ইরি '৩০ সেপ্টেম্বর' ইম্ফালগী অতিয়া ঙসি হরাও-কুম্মৈ/খুনুগী শঙ্গুসু পুল্লরে অতিয়াদা।/ঙসি অতিয়াদা নুংশিৎতা/হকচাংগী ঈ-দা, শরুদা...' ৱাহং অমা অমুক হংলি চমম্নবা অমগা লোয়ননা 'করম্বনা অশেংবনো?' লা: ২৫। লুচিংবা শাবা অমদি নেতা শাবা ময়াম মরক্তা কবিদি ইঙক ঙক্লি। কুমওন কয়াদি পাঙথোকখ্রে অদুবু লময়ানবা মহাক্কী ফিদম অমদি মহাক্কী লিক্লম অদুদা করম্বা অশেংবা লুচিংবনা চৎলিবগে ঙসি হায়বা ফোঙদোক্তবা ৱাখল্লোন অদুনা য়াংলেনদা ফুমদুনা থল্লি। শৈরেং অসি য়াম্না ৱাহন্থোক লৈ।

শান্তিবু মতম খুদিং লাইনীং ওইজবা অমদি নুংশিবদা থাজবা কবিগী পূক্নিং ইহুল অদু মহাক্কী শৈরেং অসিদসু উবা ফংগনি।

**অতিয়া উচেক অমসুং নঙ**

গোধুলীদা য়ূম হল্লকপা উচেককী মতুদা
নঙবু থীজৈ হন্না হন্না।
নোং মরক্তা শংবান্নবা অতিয়া উবদা
খল্লি নঙগী ইন্নফিগী আচলনী হায়না।
ৱাখলগী করি অরানবনো?
নঙদি উচেককী মতুগুম নীংতম্মী
শংবান্নবা অতিয়াগুম শংবান্নে। লা: ৩২

*-তোংব্রম অমরজিৎ*

# 'তসলিমা নাসরিনগী হেপ্পী মেরিএজ'

মতম কুইনা ঈকং থোক্তুনা য়েংবা ফংলরোইদ্রা হায়না খন্দুনা লৈরিঙৈ মতম অসিদা ইখঙ খঙহৌদনা মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা মণিপুরগী খ্বাইদগী চাউবা হোল ওদিটোরিয়ম অসিদা থাংদোক্লগা, থিএটর লূপ ২৩না মরী লৈনবা শেল খরদং হঞ্জিল্লগা ওক্টোবর ২৬, ২০২১দগী হৌদুনা নবেম্বর ২১ ফাওবা চত্থগদবা লিশাং শিৎপা দ্রামা ফেষ্টিবেল মমাঙদসু অমুক্তা উখিদ্রি। মতুংগী ৱাদি খঙদ্রিবা থৌরাং অমনি। শিল্লিবা থবক অসিমদি য়াম্না ফবা থবক অমনি হায়দবা য়ারোই নাকল অনীমক্তা। অশিনবা কাঙবুগীসু, অতৌবা কাঙবুগীসু অফবা লোইনা লৈ। অহৌবা নুমিৎ অসিমক য়াম্না মতম চানা চৎখি। ইনভাইটসু য়াম্না থেংনা ফংখি। ঐগী মরুপ অমদগী কনাগী অশোয়বনো অদুমদি খঙদে। নুমিৎ অদুগী ফঙ্কসন অদু পুং ৪ থাই অদুগা দ্রামা হৌবনা পুং ৪.৩০ নুংথিলগী মতম। নুমিৎ অদুগী ফঙ্কসন হৌদোক্কদবা অথোইবা মীথুংলেনশিং মতম চানা য়ৌবীরক্তবা মাল্লি। য়াম্না কুইনা ঙাইনবগুম উই। নুমিৎ অদুগী দাইরেক্টর অদুনদি হায়বা তাই মীওই খরদা, ঐখোয়গীদি রেদি লৈজরে। ভি আই পি ঙাইবগী ৱানি। মমাঙদসু খঙখ্রে মণিপুরী থিএটর একাদেমিনা তৌবা দ্রামা খরা য়েংবগী খুদোংচাবা ফংখ্রে। চৎলুরগা মৈতৈ পুং ওইরমদে। মতম চানা হৌবগী হৈনবী, চৎনবী অমনা মাঙজিল থাবা মীওইশিংগী মরক্তসু লূপ অসিগী দাইরেক্টরসু অমা ওইরমই। অয়েংবশিংগী মতমগী ভেল্যু খঙজবা মীশক ওইরম্বগীদমক নুংঙাইবা ফাওখি।

ঐনা দ্রামা অসিবু য়াম্না য়েংনীংলুবগী মরম কয়া অমসু লৈ। ঐ শৈরেংবু খরা খোয়দানা, পামজনা পাজবা অমদি মালেমগী ফজবা মমীং লৈবা শৈরেং খরা পাবা ফংনবা হোৎনজবা মীশক অমনি। অদুনা তসলিমা নাসরিন, বাংলাদেশকী অফাওবী শৈরেং ইবী, মশাগী মরমদম থাদোক্তুনা চৎখ্রগা লোক্তুনা লৈরিবী মীশক অসিনা কুমজা ২০১৯গী এপ্রিল ১০দা ফোঙখিবা শৈরেং 'হেপ্পি মেরিএজ' হায়বা শৈরেং অসিবু দ্রামা ওইনা পুথোক্তুনা শান্নগনি হায়বা অসিদা য়েংনীংবা অমা ফাওখি। করিগী য়েংনীংলিবা শৈরেং অমদগী কমদৌনা দ্রামাটাইজ তৌগদৌরিবা অদুগীসু মথক্তা মুসলমানশিংগী চৎনবী কয়ানা য়োমদুনা ইরকপা শৈরেং অমনি। ইস্লামগী চৎনবী কয়া অসিদগী কমদৌনা থৈরগা দ্রামা ওইনা লমদম অসিদা পুথোরক্কদৌরিবনো হায়বা ৱাহং অসিনি ঐনা য়াম্না য়েংনীংনা লাকখিবা। হায়রিবা লূপ অসিগী দ্রামাগী দাইরেক্টর ওইরিবা সারুংবম বীরেন হান্না মমিং য়াম্না তারবা মীশক অমনি। মহাক ৱেল মেদ স্ত্রিপ্তুগী লীলা কয়া শান্নদবা মীশক অমদি ওই। মমাঙগী লীলা খরদা ৱারী মচাশিংদগী দ্রামাটাইজ তৌদুনা দ্রামা শান্নবা কয়া থেংনখ্রে। দ্রামাটাইজেসন হায়বা অসিসু অরুবা বিদ্যা অমনি হেক্তা য়াবা নত্তে। অদুবু সারুংবম বীরেনদি মসিগী মহৈ অসিমদি মশাদা য়াওবদৌনা তৌরকপা উই। মমাঙদা কে রাধাকুমারগী অয়েকপা লাই মানা দ্রামাটাইজ তৌদুনা পুথোরকখি। লীলা অদু য়েংলুরবা মতুং ৱারী অদু পানীংমনখ্রদুনা থিরুই অদুবু ৱারী অদু পারুরবা মতুংদদি হেন্না মহাউ চুপনীংলুবা ঐ ওইনা ঙাওরগা তোকখি। ঐনা চঙশিন্দুনা উরুবা ঙমখিদে। মসি ওইরে খেন্নবা হায়বদো। মদুমক্না অতম্ননা হেপ্পি মেরিএজ অসি য়েংনীংখিবনি। দ্রামা অসি শরুক অনী থোক্না খায়দোক্তুনা শান্নরকই। শরুক অনী অমনা রিয়েলিটিদা উৎলি অদুগা শরুক অমনা নন-রিয়েলিটিদা উৎনবা হোৎনৈ। মরমদি দ্রিমগী পর্ফোর্মেন্স, ৱাখলগী য়াম্না ফন্তাসিগী ওইবা পোৎশক অদু উৎনবা হোৎনবগী থৌরাং অমা ওইনা এটেম্পট তৌরি। অহানবগী লুহোংবা থিনবা শরুক অদুগী বেন পার্টি, যন্ত্র খোংবশিং অদুগা লৈরিবা মফম অদুগা য়েংলগা ম্যুজিক কম্পোজ তৌবগী নুংঙাইবা ফাওই। অশেংবা লুহোংবা থোকপা ইমুং মনুং অমগা লৈনবা তাঙ্কক অদুমক উৎপা ঙমই। পূক্নিং নুংশিবা ফাওই। নুপীমচা অমনা ময়ূম থাদোক্লমদাইদা তৌবা মওং-মতৌ চপ চানা ফাওবা ঙমহল্লি। চহীগী মেরিএজ এন্নিভর্সরিগী কেক অমা কক্লবা হোৎনবগী মতাং অনী অসিদনি রিয়েলিটিগী মওংদা শান্নরিবা। মতাং অসিদা নুপা অমসুং নুপী অনীগী অর্গ্যুমেন্ট অনী অসিগী ৱাহৈ ৱাতা কয়ানা অয়েংবা ভাবোকশিংবু তূমিন্না লৈহনবা ঙম্বা অসিসু য়াম্না চাউনা মায় পাকপা অমনি। মসিমক দ্রামাটাইজেসনগী হৈশিংবা অমনি। নুপা অদুনা হায়রি 'পুন্সি হায়বসে অচৌবা লাইরিক অমনি, অশোয়বা হায়বসিনা শুপ্নগী চেনা অমনি। অশোয়বা চেনা অমদুনা লাইরিক মপূমদুমা মাঙহনগদবা নত্তে'। য়াম্না মরু হকপা ৱাহৈ ঙাক্তনি তশেংনা ফজে।

মীওইবগী পুন্সিদা শোয়দবা কনাবু য়াওবগে অদুবু ঙাকপীবা য়াবা মতাং ওইরবদি কন্নবা হোৎনবা তাই। অচুম্বা ঙাক্তনি ... নুপীনা নুপা খুদিংদা নীন্দা তৌরগা হায়রি মথম্মোয়গী পেন্দবা কয়াবু মখৌ পোংনা লাওরি "নুপা হায়বা জাৎসে শানি হায়রবদি শাউরক্কনি, নোংশানি হায়রবদি হরাওবনা মশোং ফল্লক্কনি, য়ুম্বুরেম্বী হায়বৈ নমাদা, মীনাইনেদি হায়দবীদা য়ূমগী কুপনোম ময়াম অমা শুহল্লি অদুগা ঐখোয়বু নমশিন্দুনা থম্বী"। থম্মোয়গী ওইবা মশক উদবা লান অমনি। থম্মোয় অনীগী মরক্তা খারিবা শম্বল অচুম্বা ঙাক্তনি ফোঙদোক্তবা, ফাওনদবা হায়বদুনা থোকহল্লকপা লাননি। অশেংবা শৈরেং অদুদি মুসলমান নুপীশিংবু নীংখা তমহনদবগী অৱাবা কয়া অদুনা শীবগী লম্বীদা চংশিল্লকপা খোঙজং অমনি। অদুবু শৈরেং অদুদগী খরা নাথৈরগা মালেমগী ওইবা নুপী খুন্নাইগী পাউজেল অমা পীনবা হোৎনবা মীৎয়েং অমা লীলা অসিদা উবা ফংলি। লীলা অসিদা অঙকপা অমনা লমদম অসিদা লীলা কয়াদা ফম্পাক মথক্তা প্লেটফোর্ম থমদুনা শান্নবা কয়া মশীং খঙদ্রবনি অদুবু দ্রামা অসিগী প্লেটফোর্ম অসিনা অনৌবা চাংয়েং হায়গদ্রা নৎত্রগা খঙনা তৌরিব্রা দাইমন্দ মওংদা শেমদুনা য়ূম্ফম চাদবা ইমুং অমগী মওংদা ষ্টেজগী দিজাইন তৌই। মসিমক্তি অনৌবনি হায়নীংই। মসিদা খিল্লিবা লাইশিং অদুসু মরোল লোনবা, অহিংবা লাই ঙাক্তনি। ঐনা ইতোমতা খঙ্জে দাইরেক্টর অসিবু ইটালিয়ান টর্মদা য়াম্না শীজিন্নবা প্রিদেল্লা হায়বা আর্ট অদু খঙবা জাৎলা" "Predella is an Italian form for the long horizontal structure at the base or foot or an alter piece. Such structures are usually painted with narrative scenes which are situated to, or expand upon, the subject of the larger images above." হায়বা কন্সেপ্ট অদু মাগী ষ্টেজ অমসুং সেট অসিদা উবা ফংলি। অদুগা খিল্লিবা সেটশিং অদু Hexaptych model panel set ওইনা উহল্লগা Diptych অমদি Triptych অনীগী খেন্নবা উত্তুনা দিজাইন তৌই। মসিদনি দাইরেক্টর অসি লাই য়েকপগী ৱাখল, লৌশিং খরা মঙোন্দা য়াওদ্রগদি প্রদক্ট অসি উবা ৱাগদবা মাল্লি। What is Diptych ? Art - As an art term a diptych is an art work consisting of two pieces or panels that together create a singular art piece there ... অমদি Triptych - It is therefore a type of polyptych, the term for all multi panel works, The middle panel is typically the largest and it is flanked by two smaller related works, although there are triptych of equal - sized panels. হায়রিবা মখলগী পেন্টিং টেক্নিক অসি মাগী দ্রামা অসিদা খঙনবু ওইরবসু, খঙদনবু ওইরবসু লাই য়েকপগী কাঙলোন অমা য়াওনা ষ্টেজ মেনেজমেন্টতা উবা ফংবগা লোয়ননা য়েক্লিবা লাইশিং অদুনা লীলা অদুগী নুংগী ওইবা থিমেটিক কন্টেন্ট পূম্বা লোইনা হায়বা ঙম্বগী শক্তি য়াওবা অয়েকপা সেটনি। লীলা অসিগী হায়নীংলিবা ৱাহন্থোক অদুদা য়াম্না ফজনা মতেং পাংবা ওইনা থোকই। নুংঙাইতবা অমনা লাইশিংদুদা পীরিবা লাইশিংদু খরা হেন্না ঙালহল্লগদি হেন্না ফজগনি, অয়েংবশিংদা নুংঙাইবা হেনগনি খল্লি। লীলা অসিদা য়াওরিবা নুপা অমসুং নুপী অনীমক য়াম্না মপূং ফানা, মশানা ঙম্না লীলাগী কেরেক্টরশিং অদু পুদুনা চৎলি।

য়াম্না নুংঙাইবা অমনা লীলা অসিগী ম্যুজিক য়াম্না থিয়েটরিকেল ওই। মতাং চানা, সিচুয়েসন খঙনা, মনুংগী ৱাখল মীৎয়েং য়ৌবা য়াবা সেট তাবদা য়াম্না নুংঙাই, ফজৈ হায়বা তাই, ফজবগী মনুং চল্লি। দ্রামা অসিবু দাইরেক্সন, দিজাইন অমসুং দ্রামাটাইজেসন তৌরিবা সারুংবম বীরেনগী য়াম্না ক্রিয়েটিভ ওইবা অশানবা মীৎয়েং খরা 'হেপ্পি মেরিএজ' অসিদা উবা ফংই। লমদম অসিদা লৈরিবা নুপীগী য়াইফনবা তৌবা মণিপুর লৈঙাক্কী ওইরো নৎত্রগা লন্নাই লূপ ওইরো হেপ্পি মেরিএজ হায়বা লীলা অসি মফম মতম চানা শিনবীরগা লমদম অসিগী নুপীশিংবু অমুক্তং য়েংহল্লবদি মমীৎ-মমায় ফনা য়াম্না শিংগদ্রা খল্লি। ইমুং মনুং বেলেন্স কায়রম্বা কয়া য়াম্না থুনা ফখিগদবা মাল্লি। মীওইবগী য়াম্না সাইকোলোজিকেল ওইবা ইথিক্স অমনা হুমদুনা পুবা লীলা অমনি। ঙসি ঙসিগী মেটরিএল ৱর্ল্ড অসিনা শোকপা ঙমদবা, লায়েংবা য়াদবা সোল্যুসন প্রোসেসতা মতম য়াম্না চঙবা, নুপানা খুল্লিংবা সংসার অমগী চৎনবী অদু খম থেংনা উৎপা কোক য়াম্না চিকপা, ৱাখল য়াম্না খলহল্লগা ঐখোয়গী কোক অসিদা অদুম নীংশিংদুনা অমদি খলহল্লগা লৈবা দ্রামা অমদি ওইরি। মণিপুরী থিএটর একাদেমিগী সেলেব্রেসন ওফ নেসনল য়ুনিটি ৱীক, ইন্দিয়ানা নীংখা তম্লকপা চহী ৭৫ শুরকপগী পাঙথোকপা এক্সপ্রেসন ওফ য়ুনিটি গ্রু থিএটরিকেল পর্ফোর্মেন্স হায়না মীংথোনবা য়াম্না চাউবা আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা শিনবা ফেষ্টিবেলগী অহৌবা নুমিৎতা উৎখিবা লীলা অসিমক্তি মায় পাক্লবা অমদি ওইখি। মথংদা মতমগী ইস্যুগা চান্নবা লীলা কয়া পুথোকপীরক্কনি নীংজৈ। লীলাশিং অসি সাহিত্য শুবা মীওই খরা য়েংহন্নীংই। মরী লৈনদবদৌনা খনবা লানগনি।

*-লোংজম দিনেস*